## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

## GAS NEWS

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO DATE**
**STOCK:306**
Home Delivery only
Delivery within 4 days
Time: 8:30am to 11:00am
**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking upto: /07/12/23,**
Valid from: 01/12/23,
**Stock: 306**
Call ,SMS & Whatsapp
Time: 6.00am to 9.00am
Only Home delivery service
Working day 3 to 4 days
(Contact no:9863952745/ 8837482516)
**KHORIPHABA**
**Bk. Uptodate**
Mobile no:8787632782 / 7005229445
(home delivery)
Miss call for booking: 8454955555 (from regd. Mobile)
All the customers are requested to update their mobile no at office from 10 am to 1.30 pm
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - 22/02/2024 to 27/02/2024**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEI-BAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500
**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY**
**BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING BOOKING UP TO-25-02-2024,VALID FROM 20-02-2024,STOCK: 3060,HOME DELIVERY ONLY. (DELIVERY WITHIN 4 DAYS) CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423, CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052 7628077876(enquiry)
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 17/02/2024
**BOOKING UPTO: 24/02/2024**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-28-02-2024,**
VALID FROM 21-02-2024,
**STOCK: 612,**
HOME DELIVERY ONLY. (DELIVERY WITHIN 4 DAYS) CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423, CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**POROMPAT INDANE GAS, Kongkham Leikai, near water supply:**
**Booking upto 17/01/2024**
Valid from 03/01/2024
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8.00 AM to 10 AM.
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU

## হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট ১সুং দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টকী...

*লমায় ১গী মখা...* পুং ২৪ মথৌ পাঙথোরক্লিবা মণিপুরগী হোম গার্দস (ভি এ) গী কম্মান্দেন্ট অমসুং দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টকী ফমশিং হাঙদুনা লৈরকপনা হোম গার্দ মেম্বরশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগদৌরে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা ঙরাং অইবা চেরোল অমা চীফ মিনিষ্টর, কম্মিস্নর (হোম) অমসুং কম্মান্দেন্ট জেনরেলসু ওইরিবা দি জি পিদা পীশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মনুংদা হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট ওইরম্বা ওফিসর অদু মমাঙ থাগী ২৯দা সুপরএন্নুএসনদা থবক্তগী পোত্থাখ্রে। মসিগী মথক্তা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টকী ফমসু হাঙদুনা লৈরকখিবনি। মরম অসিনা ঈরাং মরকসিদা পুং ২৪ মথৌ পাঙথোক্লিবা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী থৌদাং লৌবীগদবা মকোক থোংবা ওফিসরশিং লৈতবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়রদুনা হাঙলিবা ফমশিং অসি অথুবা মতমদা মেনশিনবীয়ু হায়খি।

পাউগী লিখুন অমনা হায়বদা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী জন্যুৱারী থাগী তোলোপ ফাওবা মমাঙ থাগী ২৯দা ফংখি হায়বগা লোয়ননা মতম কুইনা ফম অনীসি হাঙদুনা লৈরক্লগদি মেম্বরশিংগী ফংফম থোকপশিং মতম চানা ফংবা ঙম্লরোই হায়বগী নুংনাংবসু পোক্লরে হায়রি।

## শুমাং কুম্মৈগী অরংবা থৱান্মীচাক...

*লমায় ১গী মখা...*অনীশুবা অঙাংদি য়াম্না পীক্লিঙৈদা লৈখিদ্রবা মতুং মচা তরুক লৈহৌরি। মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপদা নত্তনা মণিপুরগী ৱাংমদা ফাওবা শুমাং কুম্মৈগী ফম্বাক্তা লেপ্তুনা খোঙদারকখিবা ইবাই থোইবা হৌখিবা কুমজা ২০১১দা নোংমা লীলা লোইরগা য়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শোকখি। থৌদোক অদুদা খোঙদা শোক্তুনা মতম খরা মীয়ামদগী লাপথোক্লা লৈরুরবা মতুং অমুক হন্না লীলাগী ফম্বাক্তা খোঙদারকখিবনি।

মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম জেনরেল সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম হেমন্তনা মহাক লৈখিদবনা মণিপুরগী শুমাং লীলাদা অচৌবা মাঙজবা ওইহৌরগনি, অরংবা থৱান্মীচাক অমা কেনখিবগুম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি। কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থা অসিগী ১১দা মহাক্কী শঙ্গাইদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎকনি হায়রি।

শুমাং কুম্মৈগী ফম্বাক্তা থৱায় য়াওনা মীয়ামগী থৌগল তৌবদগী বেষ্ট এক্টর খক্তা নত্তনা বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা কয়ানা লৈতেংখ্রবা লৈখিদ্রবা ইবাই থোইবনা হিংলিঙৈদা ইম্ফাল যাত্রা কম দ্রামা এসোসিএসন, টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়ন, নহারোলগী খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নোর্থ ইম্ফাল যাত্রা মন্দল, পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসননচিংবা লীলা কাঙলূপশিংগী অচঙবা আর্টিষ্ট ওইরকখি।

মহাক লৈখিদবদা মচানুপা অহল অথৌবা ওইনাম্না পাউচে অসিদা হায়, ইপাবুংনা লীলা য়াওরগা মদুদগী ফংলকপা শেল খরদুনা ঐখোয় ইচিল ইনাওশিংবু মী অমমম ওইননবা শেম্বীরকখিবনি। লীলাদা অহানবা খোঙদাবা হৌরকপদা শুপ্নতগী লুপা ১০ খক্তমক ফংলিঙৈগী মতমদগী হৌনা ইমুং পুবীরকখিবনি। এক্সিদেন্ট তৌবদগী শোকখিবা খোঙ অমুক হন্না নারক্তুনা অৱা চৈনা খাঙখি। অদুবু ইপাবুংগী থৱায় কন্নবগীদমক ডাক্তরশিংগা তান্নদুনা লায়েংলকখ্রবসু ঙসি অয়ূক খঙহৌদনা ঐখোয় পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা চৎখ্রে হায়রকখি।

## এসেমব্লি লোইখিবগা কৌক্রক্তা নোংমৈ...

*লমায় ১গী মখা...* চীংগী শরুক্তগীনি হায়রি।

লাম্মৈ থারকখ্রবসু খুল অনী অসিগী মফমশিংদি মণিপুর রাইফলস অমসুং সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা ঙাক শেন্দুনা লৈরক্লিবনি। খুল অনীসিগা তাইনবা চীংগী শরুক্তা লৈবা অকংবা নাপী-শিংবী মরক্তা থারম্বা মৈ চাকখৎলকপা উবদগী পন্থদনা সী আর পি এফ, ষ্টেট ফোর্স অমদি খুল ঙাকপশিংনা মৈ অদুনা খুল অনীসিগী য়ূম য়ৌশিল্লক্তনবগীদমক মূখুৎনবা হোৎনখি। ইম্ফালদগী ফায়র সর্ভিসকী টিমশিংসু লাক্তুনা ঈশিং কাপশিল্লগা মৈ মূখুৎনবা হোৎনখি। লাইবক ফবদগী খুল অনীসিগী য়ূমশিংদদি লাম্মৈগী মৈ অসিনা ৱাইরক্তুনা চাকপা ঙমখিদে হায়রি।

## মোরে তম্না পুশিল্লকপা চাকথোং গ্যাসকী...

*লমায় ১গী মখা...* ভোলন্টিয়রশিংনা ফাখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। ত্রক অসিনা পুরকখিবা রিফিল সিলিন্দরশিং অদু দিমাপুরদা লৈবা আই ও সীদগী রিফিল তৌরগা মোরে তম্না পুশিল্লকখিবনি। মোরেদা লৈরিবা হাওকিপ গ্যাস সর্ভিস অসি ঙাইনৈনেং এলিয়জ বোইচি হাওকিপ কৌবী নুপী অমনা মপু ওইরগা চলাইরকখিবা গ্যাস এজেন্সীনি।

থৌদোক অসি থা ১০ হেল্লক্লবা কুকিশিংগী লান অসিদা মোরেদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্বা মীতৈশিং ঙসি ফাওবা ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ঙমদবদগী মফম কয়াদা শৈদাংদুনা লৈরকপদা নত্তনা ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেল কয়াসু থৱায় মাঙখ্রবনি অমসুং মখোয়দা ওনশিন্দুনা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চখ্থবসু লেপত্রিবনি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা লংসাই থৌনানা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা ককচীংগী মীয়ামগা লোয়ননা ককচীং লমখাইদা খুল ঙাকপগা লোয়ননা মোরে অমদি তেংনৌপলদা লৈবা কুকিশিংগী মখূৎতা চান-থক্লবা য়াওনা ইসেন্সিএল আইটেমশিং ফংহন্দবা হায়বগী পান্দমদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লক্লিঙৈগী চৈরক্তা থোকখিবনি। ফিরেপ অসিগী মখাদা ঙসিসু অথনবা চাকথোং গ্যাসকী সিলিন্দরশিং পুরকখিবা অসিসু কুকিশিংগী ওইরম্বদগী ফাজিন্দুনা থমখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা গ্যাস সিলিন্দর পুরকখিবা মফম অদুদগী ত্রক অদু হলহনখিনবা মীয়াম্না ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তারকপদা হলহনখ্রে হায়না লংসাই থৌনাগী কনভিনর কে এস ঐচ রজিবনা ফোঙদোরক্লি।

মতুংদসু ককচীং লমখাই ফাওরগা লাকপা গাড়ীশিংনা কুকিশিংগীদমক পোৎ চৈশিং পুরকপা য়ারোই হায়না অইবা চেরোল অমসু থোরক্তুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা লংসাই থৌনা অমদি ককচীংগী মীয়াম্না খা মায়কৈদা খুন্দারিবা কুকিশিংগী মথক্তা চখ্থরিবা চীঞ্জাক অমদি হিংবদা মথৌ তাবা পোৎলমশিংগী ওইবা লান অসিদা মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরকখি।

## লৈমখোংদগী থাও হৈথরকপগী কেস ২ ...

*লমায় ১গী মখা...* পায়খৎলবগে হায়না হংখ্রে।

মোসন অসিবু থাঙ্গৎলকখিবা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়, থৌদোক অদু কনাগুম্বা মীওই খরনা তম্পাক্তা তারিবা মীওইশিং অৱাবা পীরগে হায়দুনা পাইপ থুগাইরগা থাও য়ুহনবা মাল্লি হায়খি।

মোসন অসিদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু তৌহৈবা থবক নত্তে। চপ চানা থিদোক্লগা মতুং তৌদনবা চেন্নবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। লানগী মতমদা ফাওবা ঈশিংগুম্বদদি শোক্লদে। ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইরিল তুরেলদসু করিনো খঙদবা অমুবশিং চেন্থরকপা লৈখ্রে। কুমজা ২০০২দা কম্মিসন তৌখিবা পৱার প্লান্ট অসি অসুক কুইবা করিসু তৌদনা লৈরক্লগা ঈরাং অসিগী মনুংদা মতৌ করম্না য়ুরকখিবনো হায়না তকখৎলকখি।

ওপোজিসন এম এল এ অনীগী মোসন অসিদা হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থৌদোক অদু কনাগুম্বা মীওই খরনা মাঙহন-তাকহল্লগে হায়বা ফত্তবা ৱাখল অমগী মখাদা চখ্থরকখিবা শোয়দনা ওইগনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস এফ আই আর অনী লৌখৎতুনা কূপ্না থিগৎলি। তুরেলদা থাও চেন্থরকপদগী লোক্তাকতা তাশিনখিদনবা ঈচেল অদু লৌবুক্তা থৈদোক্তুনা থমখি। মদুদা শোকপা লৌবুক্তগী ওইনা মপূদা লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

মোসন অসিগী পাউখুমদা পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা হেভি ফ্যুএল পৱার প্লান্ট অসি হায় স্পিদ দিজল, লো স্পিদ দিজল অমদি ফর্নেস ওইল শীজিন্নদুনা চলাইরকখিবনি। অদুবু মৈ পুথোকপদগীদি থাও লৈবগী শেলনা হেন্না চঙলকপদগী হৌখিবা কুমজা ২০১২দগী মথৌ তৌবা লেপ্তুনা লাকপনি। ৱাথোকসিগী মতাংদা আই আই টি (গুৱাহাটি), কোষ্ট গার্দ টিম, ষ্টেটকী এনভাইরনমেন্ট দিরেক্টোরেট অমদি পুনেদগী ওইল স্পিল কম্বেট টিম (ও এস সী টি) নচিংবগী এক্সপার্টশিং লাক্তুনা য়েংশিনখি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ১১, ১২, ১৫ অমদি ফেব্রুৱারী ৮, ১৪ অমদি ২৭তা ঈশিংগী শেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌরে। মসিগী মনুংদা ও এস সী টিনা ফেব্রুৱারী ২৭তা লৌখিবা সেম্পল টেষ্ট তৌরবা মতুংদা ঈশিংদা য়াওবা থাওগী চাং অদুনা খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে হায়রকখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে। মখা তানা পুলিসকী আই জি অমগী মখাদা থিজিল্লি। থৌদোক অসিদা হৌজিক্কী ওইনা চিংনবা মীওইশিং ফাবা-পূনবদি লৈত্রি হায়নসু হাউসতা পাউখুমখি।

The Four Pillars Coaching Institute
Empowering Aspirants
A complete guidance for all competitive exams
UPSC, MPSC, SSC - CGL, CPO, CHSL, MTS, SBI, IBPS, RRB - PO, CLERICAL, RAILWAYS, INSURANCE, CSAT, TET, CTET, CDS, CPF, LIC, Government and PSU jobs etc.
Grab the opportunity to learn from the top faculties of Manipur
Congratulations Dear Aspirants !!!

GENERAL FOUNDATION COURSE
For SSC, Bank and Other Exams.
Duration Of Course - 7+ Months
Morning Shift : 6:00 am to 8:00 am | 13th March, 2024
Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 18th March, 2024
Afternoon Shift : 2:00 pm to 4:00 pm | 1st April, 2024
GENERAL STUDIES COURSE
For UPSC, MPSC,CAPF AC, CDS and other Exams.
Duration Of Course - 6 Months
Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 11th March, 2024
MATHS SPECIAL COURSE For SSC, Bank and Other Exams.
Duration Of Course - 7 Months
Noon Shift : 11:00 am to 1:00 pm
4th March, 2024
Contact : 7005755924 9862697900
Hostel and Rent Facilities for Both Gents & Ladies
* Get Registered at our Office for 5 Free Demonstration Classes
For Queries: 7005755924, 9862697900 OFFICE ADDRESS : SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN.
HL-P-9642/18-29/1-18march
HL-B/8555/16

## এসেমব্লি মীফম সাইনে-দাই এদজোর্ন ...

*লমায় ১গী মখা...* হোৎনবদা অয়েৎপা লৈবদগী ঙমখিদ্রবসু হৌজিক্তি সেন্টরনা খারগনি হায়দুনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। এন আর সীগী মতাংদা হাউসনা পাস তৌখিবদু হাউসতগী ওপোজিসনশিং থোকখ্রবসু ওপোজিসনশিং য়াওনা পাস তৌবনি হায়না লৌজরে হায়খি।

অদুগা ক্রাইসিস মেনেজমেন্টগী মতাংদদি ষ্টেটকী ওইবা ক্রাইসিসকী নত্তে, ঐখোয় মশেলগী রিলিফ কেম্পনচিংবা অমসুং অতৈ অতৈ হীরমদা থোরকপা ক্রাইসিসশিংগী মতাংদনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসিগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা কোংগ্রেস এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা মে ৩দগী থিবা খঙদ্রিবা মীওই পূন্না ৬৬ ওইরম্মী। মখোয়গী মতাংদা মিশিং রিপোর্টশিং ফাইল তৌনরকখি অদুবু খরনা রেস্ক্যু তৌবা য়াওরগা মীওই ১৬তি শিনা ফংখি অদুগা হৌজিক ফাওবদা মফম খঙদ্রিবা মীওইশিংগী মশীংনা ২৮নি হায়রদুনা ঈরাং অসিদা অশোক অপন নংখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৫৫৫নি হায়খি।

মীওই ১,৫৫৫ অশোক অপন নংখিবগী মনুংদা ১,৪২৯দি মীচমনি। খরা হেন্না শাথীনা শোক্তুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগীদমক কম্পেন্সেসন পীনবা লৈঙাক্কী পোলিসিনা এপ্রুভ তৌরগা লৈরে। মখোয়দা হান্না সী এম ঐচ টি অমদি আয়ুসমান ভারত হেল্থ কার্দশিংনা কোনশিনবসু য়াওরে হায়খি।

অমরোমদা, এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা হোমগী থবকসু পুরিবা হাউসকী লিদরনা পাউখুম্লদুনা হায়, চথ্থরক্লিবা ঈরাং অসিগী মনুংদা মীয়ামগী থম্মোয় খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা থৌদোক অমা ওইনা মমাঙ চহীগী জুলাই ৬তা মাঙখিবদগী হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রিবা ফিজম হেমঞ্জিৎ অমদি হিজম লুৱাংবী লিম্থোইঙম্বীগী কেসকা মরী লৈননা চেন্নবা মীওই ৫ ফারে অমসুং মখোয়গী মথক্তা সী বি আইনা চার্জশীট থাগৎখ্রে হায়না খুমখি।

এম এল এনা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিমগী মতাংদা হংলকপা অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া অমদি য়ূমলোন্নরিবা লৈবাক ম্যান্মার অনীগী মরক্তা চৎনরকখিবা এফ এম আর অসি কুমজা ২০২১দগীনি অদুবু মতম মতমগী মতুংইন্না সস্পেন্দ তৌদুনা লাকপনি হায়খি।

হৌজিক মসি লৌথোক্লবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা থবক পায়খৎলি। হন্দক সেন্টরনা লৈবাকসিগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটি অমদি অৱাং নোংপোক্কী দেমোগ্রাফিক ষ্ট্রকচর কায়হন্দনবা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার অনীগী মরক্তা চৎনরকপা এফ এম আর লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌবনি হায়খি।

## কুমজা ২০১৮দা সূগী কাদর ১১২২ লৈরম্লগা ২০১৯গী...

*লমায় ১গী মখা...* খঙখিদ্রে। মরম অসিনা এন আর সী চৎনহন্নবগীদমক হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উনসি হায়রবসু শেম শাদুনা লৈরি হায়খি।

হৌজিক মণিপুরদা তংদু লৈতাবা, ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহনসি হায়রবদি চাক্লিবা মৈ অসি হান্না মূখুৎকদবনি। নোংমৈ কাপ্পা শুংয়া য়ারোই হায়বসি ন্যুত্রেল ওইবা থর্দ পার্টি অমনা হায়রগদি হায়দুনা ঐখোয়গী ইপা ইমাগুম্বা সেন্টরনা ইন্টরভেন্সন তৌবা মথৌ তাই হায়না থাজে। ষ্টেটনা থবক লৌখৎপদা য়াওরিবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর কনানো হায়না ও ইবোবীনা মখা তানা হংখিবগা লোয়ননা অসাম মনুংদা ফাওবা থবক তৌবা ঙমদবা মহাক্লা ষ্টেটনা লৌখৎপা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী লুচিংবা অমসুং চীফ সেক্রেটরি ফাওবা ভিজিট তৌহন্দ্রে হায়বসিদি নুংঙাইতে হায়খি।

অদুগা ক্রাইসিস মেনেজমেন্টকী চ্যেরমেন এম এল এ, এস কুঞ্জকেশোরদা ওইহল্লি হায়বসি মঙোন্দা থৌওদবগী ৱা নত্তে। হোম মিনিষ্টর লাক্লগা নুমিৎ হুমনি লৈরম্বদা নোর্মেলসি লাক্লগনি হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোকচখিবনি অমসুং থাজবা থমখিবনি। মতাংসিদা ব্লেম তৌবগী ৱাফম নত্তে, নুমিৎ ১৫নি লৈরগা লাক্কনি হায়রম্বনি। গভর্ণরনা চ্যেরমেন ওইবা পিছ কম্মিটি অমা শেম্লে হায়খি অদুবু মদুসু ওইরিব্রা ওইদ্রবরা চমম্লরি হায়খি।

সী বি আইদা কেস শিন্নবা অমসুং হেলিকোপ্টর সর্ভিস লোঞ্চ তৌবগী ৱাফমসু য়াম্না য়াওরি। অসিগুম্বা থবকশিংসি তরাম্না ওকই অদুবু ইশাগী ওইবদদি চাক্লিবা মৈ অসি ঈশিংনা মূখুৎকদ্রা নৎত্রগা ফিনা নম্লগা মূখুৎকদ্রা অমদি তৌদুনা মূখুৎকদবনি হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পবা লেপহন্নবগীদমক্তা খুদক্তা থাজিনখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং য়াম্না য়াম্লে, মশীং থিবা ঙমদ্রে। তেল্লবদা নুমিৎ হুমনি নৎত্রগা চয়োল অমগী মনুংদা সেন্টরনা নোংমৈ কাপ্পবা য়ারোই হায়রক্লবদি শোয়দনা লেপকনি খল্লি অদুগা লানগী ৱারোইশিনদি ৱারী শানবা নত্তনদি ৱারোইশিন পুথোকপা ঙম্লোই হায়খি।

ফীভমসিদা থেংথদুনা লৈরবদি ফত্তবা লাক্কনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী মখোঙ পায়দুনা অমুক্তংদি ঐখোয় ইন্দিয়া নৎত্রবরা হংলসি। মীয়ামসু ঐখোয়সু পূম্না ৱামিন্নরিবা ঙাক্তনি। হান্নসু থোকখিদবা নত্তে, কুকি-পাইতে অমদি নাগা-কুকিগী ঈরাংশিং ঐখোয়গী মতমদা থোকখি অদুবু অসুক য়াম্না শাংথখিদে হায়খি।

কুইশিল্লকপসিদা ঐখোয় মওন-মওন খল্লক্লে হায়রদুনা ঐখোয় মশেল হাৎতোক্লরগা লেমহৌবা খরদু লৈরসনু হায়বদু খল্লগা য়েংদুনা লৈরব্রা হংখি। মমাঙগী লৈঙাক হায়দুনা হায়রিবসি জুন ১৮গী থৌদোক অদু সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবা মতমদনি। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থবক লৈঙাক্কী নৎত্রবরা হংখি।

ৱার ওন দ্রগস হায়রগসু ফাখিবা দ্রগশিং দ্রাইভরগীনি হায়না চোংথোরকপা, অশেংবা মপূ খঙনবা সী বি আই/এন আই এদা শিন্নখিদবদু লাইবক থীবনি হায়খি।

## অছে দিন লাকখিগদ্রা : ৱাবগাই লমখাই ১সুং...

*লমায় ১গী মখা...* হিয়াংলম-ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু ফাওবগী কিলোমিটর ২৮ রোমদমক শাংবা লম্বী অসি ফাওদুনা চত্তবা য়াদ্রি। হৌজিক নোংজুথা লাক্লগদি অমুক্কা হেন্না মায়কৈ অসোমগী মীয়াম খুদোংচাদবা মায়োক্লগদৌরি। খুদক্কী অনা-লায়েং মথৌ তারকপা মীওইশিং ককচীং নৎত্রগা ইম্ফাল তম্না পুননবা হোৎনবদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদ্রে। লায়েংফম য়ৌদ্রিঙৈ লম্মখাংদা থৱায় মাঙলগদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওনরে।

মীয়াম্না খম থেংনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরে হায়রকপদগী পাউচে অসিনা ঙসি শুগুনু ফাওবা চৎতুনা লম্বী অসিগী ফীভম য়েংশিল্লুবদা মীয়াম্না পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্ল রকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমজিনহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরকখি।

মমিং-মথা ফোঙদোক্লিংদবা মীওই অমনা হায়, লম্বী অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান তৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ককচীং, চান্দেল অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খুল কয়াগী মীওইশিংগী মরু ওইবা লাইফ লাইন অমসু ওইরম্লিবনি। অদুবু ঙসিদি ককচীং অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোং এরিয়াদা লৈবা নাগা ইচিল ইনাওশিংগা মীতৈশিংগগী লম্বী ওইরে। লম্বী অসি কুমজা ২০০৯-১০দা মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরম্বা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ৱাবগাই লমখাইদগী শুগুনু অমসুং চকপীকারোং ফাওবা কোয়লাস থাবীবদগী য়াম্না নুংঙাইনা চৎথোক চৎশিন তৌখি। লৈঙাক্কী অদুগী মতুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী কোমকুৎ খরা খজিক মেনশিনবা নত্তনা ঙসি চহী ১২/১৩ হেল্লক্লবা ফাওবা লম্বী অসি নীংথিজনা শেমজিনবগী থবক তৌরকখিদে। লম্বী অসি পাকথোক চাউথোক্তুনা শেম্লগনি হায়বগী ৱাফম এসেমব্লিদা পুখৎনখিবসু তাখি অদুবু হৌজিক চহী ৩ ফারক্লবা ফাওবদা শেমজিনবগী থবক্তি তৌদ্রি।

অতোপ্পা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীফমদা লম্বী অসিগী মতাংদা শুগুনুগী এম এল এ, কেরঞ্জিৎনা শেমজিনবীনবা ৱাফম পুখৎপদগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম্না কুমজা ২০২৩গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা শেমজিনগনি হায়বগী থাজবা পীখিবসু লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক মার্চ, ২০২৪ অমুক য়ৌশিল্লক্লবসু শেম্বীনবগী মমিদি উদ্রি।

ঙসি লোইশিনখিবা এসেমব্লি মীফমদসু এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লম্বী অসি শেম্বীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং অমুক হন্না চিংশিনখি। মমাঙদা কোমকুৎ খরা মেনশিনবীরমখিবা অদুসু ক্বালিটি মেন্টেন তৌখিদবনা হান্নগী কোমকুৎশিংদগী মশীং হেনগৎলক্লে। মমাঙ থাদা শুগুনুদা কুকিশিংনা নুমিৎ ৫/৬নি বোম কাপশিন্দুনা লান্দারকখিবদুদা লান পাংবা লাকপা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা উবদগী লন্নাই ক্লব খরনা কোমকুৎশিংদা চীং লৈবাক হৈজিন্দুনা খরা মেনশিনবীবদগী খজিক্তং শাফবনি অদুবু নোংজুথা লাক্লবদি চীংলৈবাকশিং অসি লোইনা কাপথোকখ্রগনি। মরম অসিনা নোংজুথা লাক্ত্রিঙৈদা মপূং ফানা শেমজিনবীদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি লৈঙাক্লা কোকহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

### ꯂꯝ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / Lam Yonjari

Point 10, Point 20 amasung Point 30 Chaoba Lam ama athubagi Yonjari. Louningba Mioingsingna Point macha macha natraga apamba Point oina loujage hairabasu yagani. Ahanba lakpa mioisingda khudong chabasu pijari. Mafamna Khurai Thongam Leikai, Imphal East.

Pambiba mioisingna makhagi contact number asida pao pibirak u.

HL-P/9795/2,4,6,8,10 Contact No. 9366654857

N.V.S.
M/S BHUBON & LEIREN BRICK FIELD
Kakching Lamdong

| CLASS | RATE PER Brick |
|---|---|
| 1st Class | 14.2 |
| 2nd Class | 13.2 |
| 1st Reject | 12.5 |
| Reject | 11.5 |
| Jamat | 11.5 |
| Ist PT | 12.3 |
| 2nd PT | 10.5 |
| 3rd/Grd 1 | 8 |
| 3rd/Grd 2 | 6.5 |
| 1st/Chektek 1 Load 407 Canter : 5,500 | |
| 3rd/Chektek 1 Load 407 Canter : 3,000 | |
| Office Cont. No : | |
| 8618055934, 9378107273, 9383152946 | |

* Transport Charge Extra.
N.B : (koyla & singna mei eekpa quality leiba laxmi & dayal gi brick animak fangbigani)
HL-B/8588/25-29/1-10march

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
CLASS-IX & X (BOSEM)
Class Commencing on 25th Jan. 2024 4:10pm to 7:30pm

1st POSITION Laishram Rahul
18TH POSITION Chingakham Italy Meitei
19TH POSITION Thouchom Payal Chanu
1. Sir Kamlakanta, 15 Yrs. of teaching experienced (Phy.)
2. Sir Surjakanta, Former Teacher: Heritage Convent (Phy.)
3. Sir Arungobind, Bethel Eng. Hr. Sec. School (Bio.)
4. Sir Sanjoy, 7 Yrs. of teaching experienced M.D. (Chem.)
5. Sir Robindro, R.M. School (M.I.L.)
6. Sir Satyajit, Tiny Tot's Unique School (History)
7. Sir Amarjit, Heritage Convent (Geo.)
8. Sir Nilamani, 20 Yrs. of teaching experienced (Geo.)
9. Sir Brajamani, 20 Yrs. of teaching experienced (Civics)
10. Maam Victoria, Former Teacher: Tiny Tot's Unique (Civics)
11. Sir Gajeshwor, Heritage Convent (Maths.)
12. Sir Premananda, Regular Eng. High School (Maths.)
13. Sir Shyam, Former Teacher: R.M. School (Maths)
14. Sir Dhiren, Regular Eng. High School (Eng.)
15. Sir Thomas, Heritage Convent (Eng.)
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College (3:00pm-7:30pm)
8413855751 7085521821